# এয়ারসেল মেক্সিস কেসতা ই দি না পি চিদম্বরমগী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ঃ***

ফোরেন ইনভেন্টরশিংগী থবক অয়াবা পীনবা মখোয়গা লৌতুনৈ হায়বগী মরাল শিরদুনা হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগী মথক্তা এয়ারসেল–মেক্সিস মনি লোন্দরিং কেসতা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট (ই দি)না ঙসি চার্জসিট থাংগৎখ্রে।

দিল্লিগী পটিয়ালা হাউস কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমদা ই দি না থাংগৎখিবা চার্জসিট অদুদা এক্যুজ ৯ গী মমিং পল্লি। মখোয় অদুদি চিদম্বরম, এস ভাস্কারমন (চিদম্বরমগী মচানুপা কারটিগী চার্টর একাউন্টেন্ট), ভি শ্রীনীভাসন (এয়ারসেলগী হান্নগী সি ই ও), অগষ্টতস রাল্ফ মারসেল (মেক্সিসকা লোয়ননা), এষ্ট্রো ওল্ড এসিয়া নেটৱার্কস পি এল সি মলেসিয়া, এয়ারসেল টেলিভেনচরস লিমিটেদ, মেক্সিস মোবাইল সার্ভিসেস, এসদিএন বিঐসদি, বুমী অরমদা বরহাদ, বুমী অরমদা নেভিগেসন এসদিএন বিঐসদি নি।

চার্জসিট অসি খন্ননবগীদমক স্পিসিয়েল জজ ও পি সাইনিনা নবেম্বর ২৬ তা মতম লেপখ্রে।

চিদম্বরমগী মচানুপা কারটিগী মথক্তা কেস অসিদা ই দি না অহানবা চার্জসিট অমা হান্না থাগৎখ্রে। কোন্না মাগী মথক্তা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট অমসু থাগৎখি।

ইন্দিয়াদা এফ দি আই পোলিসিগী রুল অমসুং রিগুলেসন কয়া থুগাইরগা হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা মার্চ ২০০৬ তা ফোরেন ইনভেষ্টর গ্লোবেল কমুনিকেসন এন্দ সর্ভিসিস হোলদিংস লিমিটেদ, মোরিসিয়স তা আইনগী ময়োক্তা অয়াবা পীবগী মমল লুপা ক্রোর ১.১৬ মনি লোন্দরিং তৌখি হায়দুনা একুজশিংগী মথক্তা মরাল শিরি।

রুলগী মতুং ইন্না অমসুং ২০০৬ তা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এফ দি আই পোলিসিগী মতুং ইন্না মতম অদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টরদা লুপা ক্রোর ৬০০ ফাওবগী ফোরেন ইনভেসমেন্ট গী প্রপোজেলশিংদা ফোরেন ইনভেসমেন্টকী অয়াবা পীনবগী শক্তি পী। গ্লোবেল কমুনিকেসন এন্দ সার্ভিসেস হোলদিংস লিমিটেদ কী ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টকী প্রপোজেল অদু কেবিনেট কমিটি ওন ইকোনোমিক এফিয়ারস (সি সি ই এ) দা রিফর তৌগদবনি। অদুবু মদু তৌখিদে অমসুং লৌতুনবা অমগী মখাদা চিদম্বরন্না এপ্রুপ তৌখি হায়না অনীশুবা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট অদু থাংগৎলদুনা এনফোর্সমেন্ট দারেক্টোরেটনা হায়খি।

চার্জসিট অদু কারটি অমসুং মাগী এসোসিয়েটশিংদগী ফাগৎপা দিজিটেল দিভাইস শিংদগী লৌথোকপা ই –মেল কম্যুনিকেসন শিংগী মওংদা লৈবা মতিকচাবা মেটরিয়েল ইভিদেন্টশিংদা য়ুমফম ওইবনি।

# পাকিষ্টানদা শেঞ্জা–থুমজা তৌবা লূচিংবা পূন্নমক জেল চংলগনি ঃ পি এম খান

***ইস্লামবাদ, ওক্টোবর ২৫ঃ***

শেঞ্জা–থুমজা তৌবা লূচিংবা পূন্নমক জেলদা চংহল্লগনি হায়না ৱাশক্লদুনা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না পাকিষ্টানবু শেন্দোলগী লাংদা থুহল্লিবা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিং অমত্তা হৌজিক চৎনদ্রবা নেসনেল রিকন্সিলিয়েসন ওরদিনান্স (এন আর ও) গুম্বা আইন অমত্তদগী ঙাকথোকপা ফংলরোই হায়খ্রে।

ৱাথোক ওইখিবা এন আর ও অদু মতমদুগী প্রসিদেন্ট জেনরেল পর্ভেস মুসারফ কী গভর্ণমেন্টনা ওক্তোবর ২০০৭ দা চল্লাইখিবনি। ওরদিনান্স অদুগী মখাদা পোলিটিসিয়ানশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং লৌথোকখি অমসুং লৈবাকসিদা অমুক হল্লক্লবা মখোয় কয়াগী লম্বী ফাৎখি। দিসেম্বর ২০০৯ দা সুপ্রিম কোর্ট ওফ পাকিষ্টাননা এন আর ও অদু কনষ্টিট্যুসন্না য়াদবা অমনি হায়না লাওথোকখি।

পাকিষ্টানগী শেন–থুমগী খুদোংথিবা অসিদগী কোকহন্নবা মহাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকশিং মীয়ামগা খংমীননবা ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পীবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর খান্না পাকিষ্টানগী শেনন্দোল লূপা ক্রোর ৩০,০০,০০০ য়ৌরকখিবা অদুগীদমক মমাঙগী গভর্ণমেন্টশিংবু চৈখি।


ঐখোয়না য়াল্লবা শেনফম অসিগী ওদিট অমা চথরকপা মতমদা মখোয়গী করপসন অদু থেঙনখ্রগনি কীবগী মরমদগী ওপোজিসন পার্টি অসিনা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট অসিবু মতিকচাদে হায়না মরাল শিরিবনি হায়না পি পি পি অমসুং পি এম এল–এন দা খুদোম্বী থিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খান্না হায়খি।

মখোয়না ঐখোয়দগী পাল্লিবসি সুপ্নগী এন আর ও অমখক্লি। অদুবু ঐনা মখোয়দা পাউজেল অমা পীবা পাম্মী। নখোয়গী নাকোং শেঙদোক্লো অমসুং মসি তারো নখোয়না ষ্ট্রিটশিংদা থোক্লকপা য়াগনি। ঐখোয়না নখোয়দা কন্টেনরশিং পীগনি চীঞ্জাক পীগনি। এসেমব্লিশিংদা নখোয়না তৌনীংবশিং তৌবা য়াগনি অমদুবু এম আর ও অমা হায়বদুদি কনামতনা ফংলোই হায়বা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা পাকিষ্টানগী নুংতিগী পাউ চে দোননা হায়খি।

করপসন তৌবা মীওই অমত্তা লেপ্না থারোই হায়রদুনা করপসন তৌবা মীওইশিংবু জেলদা থাজিনগনি হায়বা ৱাশক্তা মহাকপু লৈবাক অসিনা খল্লকখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর খান্না নীংশীংখি।

করপশন মরূ ফুকতোকত্রিবা মখৈ লৈবাক অসিগী তুংগী অশা লৈত্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ফেক বেঙ্ক একাউন্টশিং অসিদা লাক্লিবা শেল অসি কদাইদগীনো শেল অসি লৈবাক অসিদগী হুরানবনি মদুদগীদি লৈবাক্কী লূচিংবশিংনা মপান লৈবাক্তা চৎপা তাই অমসুং লোন পীবীয়ু হায়না নীবা তাই। মসিগী মরমদি লৈবাক অসিদগী দোল্লরশিং লোন্না পুথোকখ্রে হায়না ইমরান খান্না হায়খি।



# দাইমন্দ মার্চেন্টনা দিৱালি খুদোল ওইনা কার ৬০০ পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ঃ***

সুরাটতা লৈবা শেনঞ্জাও পায়বা দাইন্দ লল্লোনবা শবজি ধোলাকিয়ানা ঙসি মহাক্কী ইপ্লোইশিংদা ফজরবা দিৱালিগী খুদোলশিং য়েনথোকখ্রে।

ধোলাকিয়ানা মথং মথং চহি খুদিংগী কারশিং খুদোল ওইনা পীরকপদা হন্দক্কী অসিনা ৪ শুবা চহিনি। দিল্লিদা পাংথোকপা মীৎ থক্লবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইমপ্লোই খরদা কারশিং অদুগী শো খুৎশিনখি।

বিল্লিনর দাইমন্দ মার্চেন্টন্দ অসিনা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা নম্মিন্নবা পীকচর অমা থাগৎখি। ঐখোয়গী ইমপ্লোয়ীশিংগীদমক লোয়েল্টি বোনস প্রোগ্রাম ওইনা দাইমন্দ অর্টিষ্ট অমসুং ইনজিনিয়ার ১৭০০ লোমদা কারশিং পীখ্রে হায়খি।

চহি অসিদা মাগী ইমপ্লোয়ীশিংদা দিৱালিগী খুদোল ওইনা কার ৬০০ অদু য়েনথোক্লবা স্কিল ইন্দিয়া ইন্সেন্টিব সেরিমোনি কৌবা থৌরম অমা হরে কৃষ্ণ এক্সপোর্টস কী মপু ওইরিবা মিষ্টর ধোলাকিয়ানা শিনখি।

হরে কৃষ্ণনা গ্রুপকী দাইমন্দ পোলিসরশিংনা রিনোল্ট কে দবলিয়ু আই দি অমসুং মরুটি সুজুকি সেলেরিয়ো কারশিং ফংখ্রে হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা মিষ্টর ধোলাকিয়ানা হায়খি।

কার অদুগী মমল মথং শিংনা লূপা লাক্ষ ৪.৪ অমসুং লূপা লাক্ষ ৫.৩৮ নি।

হরে কৃষ্ণ গ্রুপতা ইমপ্লোয়ী ৫৫০০ রোম লৈ। মসিগী মনূংদা ইমপ্লোয়ী ৪০০০ রোম হাননা অসিগুম্বা খুদোলশিং ফংখ্রে। ২০১৬ দা মিষ্টর ধোলাকিয়ানা দিৱালি বোনস ওইনা মাগী ইমপ্লোয়ীশিংদা ফ্লেট ৪০০ কার ১২৬০ খুদোল পীখি। অদুগা ২০১৫দা কার ৪৯১ অমসুং ফ্লেট ২০০ পিখি।

শৌরাষ্ট্রা রিজনগী অমরেলিদগী লাকখিবা দাইমন্দ মার্চেন্ট অসিনা মহাক্কী মখুরাদগী লোন অপীকপা অমা লৌরগা মাগী ব্যুজিনেস অসি হৌরকখিবনি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।



# টাইৱান মচেৎ তাবা থিংনবা আর্মিনা মতাংগী মতূংইন্না থবক তৌগনিঃ চিনা



***বৈজিং, ওক্টোবর ২৫ঃ***

বৈজিংনা মখোয়গীনি হায়রিবা মশা মতোমতনা লৈঙাকচবা টাইৱাননা মচেৎ তানবা হোৎনরকপশিং থুগাইনবা অতৈ অমাং–অতোঙ অমত্তা থিদনা চিনাগী আর্মিনা থবক তৌগনি হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা চহি অসিদা অনীশুবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টাইৱানদা লালগী জহাজ অনী থারকখি। মদু দেমোক্রেটিক টাইৱানবু শৌগৎপা উৎনবা হ্বাইট হাউসনা চখরকখিবা খোঙথাংশিংগী খ্বাইদগী নৌবনি।

টাইৱানগী হীরম অসি চিনাগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরেল ইন্টিগ্রেটিগা মরী লৈনৈ অমসুং চিনাগী খ্বাইদগী মরুওইবা হীরম অমনি হায়না বৈজিংদা জিয়াংসাং ফোরম হাংদোকপদা চিনাগী দিফেন্স মিনিষ্টর ৱৈফেঙহে না হায়খি।

কনাগুম্বা অমনা চিনদগী তাইৱানবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরক্লবদি মদু খ্বাইদগী শাথিবা খুদোঙথিবা অমা ওইগনি অমসুং চিনাগী আর্মিনা করিগুম্বা অমাং –অতোঙ অমত্তা থিদনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

২০১৬ দা টাইৱান নীংতম্নবগী ৱাখল লৈবা দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিপ পার্টিনা শক্তি পায়রক্তুনা পার্টি অসিগী শাইইনৱেংনা ঈথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা মতূংদগী চিনা অমসুং তাইৱানগী মরি ফত্তবা হৌরকখিবনি।

তাইৱানবু বৈজিংগী মখাদা পুরক্লবা শক্তি শিজিন্নরোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়রিবা বৈজিংনা য়ু এস তা ঈথৎ লৈবাক অসিদা চখরিবা পোলিসি, য়ু এস না মফম অদুদা অনৌবা দি–ফেক্তো এম্বেসি অমা হাঙদোকপা অমসুং য়ু এস ওফিসারশিংনা ঈথৎ অসিদা লাকপদা পূক্লিং থৌগৎপা আইন অমা পাস তৌখিবা অসিগুম্বা সিদা বৈজিংনা নুংঙাইতবা পোক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকা লৈনরিবা চিনাগী মিলিটরিগী মরিশিং মরূওই অমসুং অরুবনি। অদুবু চিনানা মসিগী টেরিটোরি ইঞ্চি অমা ফাওবা কৈদৌঙেদা থাদোক্লোই হায়না ৱৈনা হায়খি।

রিজন অসিগী মপান্দা লৈবা লৈবাকশিংনা সাউথ চিনা সিদা কাইহৌবা অমসুং শক্তি উৎপা খুদিংমক্কী ময়োক্তা বৈজিংনা লৈ।

### GAS TODAY

**Misao Gas**
Booking : 18/08/18
Valid : 20/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 30/07/18
Sl. No. : 2270
Valid : 27/07/18
Sl. No. : 1471
Stk : 306
Time : 07.00 to 01.00 p.m

**Porompat Indane Gas**
Booking : 29/08/18
Valid : 28/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M. M. Gas**
Booking : 27/07/18
Valid : 24/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Patsoi Gas**
Booking : 23/08/18
Valid : 18/08/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Khongnang (N/Bisnupur)**
Booking : 25/07/18
Valid : 24/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**G. B. D. Lamlong Gas**
Booking : 28/07/18
Valid : 11/07/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Pheiyeng Gas**
Booking : 12/09/18
Valid : 18/08/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Khoriphaba (Nambol) Gas**
Booking : 18/08/18
Valid : 16/08/18
Sl. No. : 4202 Upto 4428
Time : 06.30 to 9.00 a.m

**Sawombung Gas**
Booking : 27/07/18
Valid : 22/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

# চেল্লিবা কার মনূংদা মীওই ৫না নুপী অমা গেং–রেপ তৌখ্রে

***নলবারি, ওক্টোবর ২৫ঃ***

অসামগী নলবারি দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং য়ুমসকৈশগী নুমিদাং ৱাইরমদা চেল্লিবা কার অমগী মনূংদা মীওই ৫ না মশাগী চহি ২৪ শুরবী নুপী অমা গেং–রেপ তৌখ্রে অমসুং উমং অমগী মনাক্তা মহাকপু লংথরগা থমলমখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

পুলিস লিখুলশিংগী মতূং ইন্না টিহুগী নাথকুচি খূন্দগী পোৎ–চৈ লৈরুরগা নুপী অদু মাগী মপুরোইবগা সাইকল অমদা তোংলগা ময়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা মখোয়নসু মশক খংবা নুপা ৩ না মখোয়গী কারদা তোংলক্লবা হায়খি। মদুদা নুপী অদুগী মপুরোইবনা মহাকপু কার অদুদা চৎখিবা য়াখি অদুগা মহাক মশানা সাইকল তোঙলগা লাকখি।

থৌদোক অসিগী অহানবা থিজিনবগী মতূং ইন্না নুপাশিং অদুনা নুপী অদুবু কার অদুদা উমংগী মফম অমা তন্না পুরকখি। অদুগা মখোয় অনীনা মাবু রেপ তৌখি। মদুগী তুংদা থংনবা মফম অদুদা লৈবা মখোয়গী মরুপ ২সু কৌশিনখি অদুগা টিহুদা চেল্লিবা কার অদুগী মনূংদা নুপী অদুবু অমুক হন্না গেং রেপ তৌখি হায়না নলবারীগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস শিলাদিট্য চেটিয়ানা হায়খি। নুপী অদুগী মখোং মখূৎ পুনশিল্লগা মাবু করকাবারি ফোরেষ্ট এরিয়া মনাক্তা লংথরমখি।

মফম অদুগী মীওই খরনা মহাকপু থেঙনদুনা পুলিসতা থৌদোক অদুগী পাউ পীখি হায়না এস পি না হায়খি।

ঐখোয়না চেন্নবা মীওই ২ ফারে ক্রাইম অদু চত্থিবা অলটো কার অদুসু ফাজিল্লে। মরাল লৈবা অতৈ মীওই ৩ অদু ফানবা থিরি হায়না এস পি অদুনা মখা তাখি।

নুপী অদু হৌজিক মশা অদু শাথিনা শোকপা অমসুং ৱাখলগী অৱাবা অদুগীদমক হোস্পিটাল অমদা লায়েঙ চত্থরি। অদুমকপু মহাক্কী ফিভম খুদোঙ থিনীংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

# মদ্রাজ হায় কোর্টনা এম এল এ ১৮ গী দিসক্কালিফিকেসন শৌগৎখ্রে

***চেন্নাই, ওক্টোবর ২৫ঃ***

তমিল নাদুদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা এআইদিএমকে রিবেল এম এল এ ১৮ গী দিসক্কালিফিকেসনবু শৌগৎপা মদ্রাজ হায় কোর্টকী রাই অমা পীখ্রে। রাই অদুবু গভর্ণমেন্ট পায়রিবা পার্টি অসিদা থাগৎখ্রে অমসুং মদু অচুম্বা রাই অমনি হায়খ্রে।

দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ শিং অদুনা মখোয়গী কনষ্টিট্যুয়েনসিশিংদা মরক্কী মীখল তৌনবা হায়রিবা অদুগী মতাংদা হংবদা এআইদিএমকেগী ৱাঙাংলোই ওইরিবী পী বলারমতিনা সিট ২০ মক্তা মাগী পার্টিনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

হায়রিবা সিট ২০ অসি দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ ১৮ গী কনষ্টিট্যুয়েনসিশিং অদুগী মথক্তা লৈখিদ্রবা দি এম কে চিফ এম করুনানিধি অমসুং এআইএদি এমকে গী একে বোস কী হাংহৌবা কনষ্টিট্যুয়েনসি ২ থারগনি।

এম এল এ ১৮ অদু চীফ মিনিষ্টরদা মখোয়গী থাজবা লৈত্রে হায়না গভর্ণরদা ফোঙদোকখিবা মতূংদা এন্টি–দিফেক্সন লোগী মখাদা হৌখিবা জুন ১৮ দা দিসক্কলিফাই তৌখিবনি।

# প্রসিদেন্টনা এ এ পি এম এল এ ২৭কী দিসক্কালিফিকেসন ককখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ঃ***

দিল্লিগী গভর্ণমেন্ট পায়রিবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী এম এল এ ২৭ পু তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা এটেচ তৌবা রোগি কল্যান সমিটিশিংগী চিয়ারপাসনশিং ওইনা হাপ্পুনা ওফিস ওফ প্রোফিট পায় হায়বগীদমক দিসক্কালিফাই তৌনবগী থংগৎলকখিবা অমা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা কক্থৎখ্রে।

ইলেক্সন কমিসন্না পীরকপা মত অমদা য়ুমফম ওইরগা ৱাকৎ অদু কক্লবা ওর্দর অদু প্রসিদেন্টনা শহি তৌখ্রে হায়না কমিসনগী সেনীয়ার ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা ৱাকৎশিং প্রসিদেন্টতা থাগৎলি। অদুগা মহাক্না মদু ইলেক্সন কমিসনদা অমুক পীথরকই। মদুদা কমিসন্না পীবা মততা য়ূমফম ওইরগা প্রসিদেন্টনা ওর্দরশিং থোকই। ৱাকৎশিং অদু মরম চাদে হায়না কমিসন্না প্রসিদেন্টতা থাখিবনি।


খুদোংচাবা লৌবীয়ু!! খুদোংচাবা লৌবীয়ু!!

"ফনেক চপচরি অমসুং কম্পুটরাইজ ফনেক অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি"

ফনেক, ফনেক মপান নাইবা, ফৈজোম, খুদৈনচিংবা মেছিন শিজিন্নদুনা Flatwork তৌজরি। লোয়ননা Computerised Embroidery Machine শিজিন্নদুনা ফনেক মপান নাইবা অহোংবা মমলদা লোঞ্জরি অদুদসু নত্তনা মখল কয়াগী মণিপুরগী Handloom গী পোত্থোকশিংসু ফংবিগনি।

Sd/-
M/s Chaning Flatwork Ironer/ Embroidery Industry
Khongman Mayai Leikai Zone - IV
Ph No:- 8014317969/ 8794596217

SL/BILL/ ALT. 15 DAY


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Imphal West Konthoujam**
*Ref. :- Mutation Cass No. 838/SDC/IW(K)/2018*

Konthoujam Ongbi Radha Davi w/o Late Manglemjao Singh of Konthojam Mayai Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Konthoujam Manglemjao Singh s/o (L) Bira Singh Konthoujam Mayai Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**
*the 22/10/2018*

U/S 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার K. Manglemjao Singh , পীং মৃঃ Bira Singh, সাং Konthoujam Mayai Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 86-Konthoujam গী অনৌবা পাট্টা নং 633/1098, দাগ নং 564/ 976 অমসুং এরিয়ানা .18 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ 7 নি গী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতূংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam

*SL/4129(a)/26*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Imphal West Konthoujam**
*Ref. :- Mutation Cass No. 837/SDC/IW(K)/2018*

Konthoujam Ongbi Radha Davi w/o Late Manglemjao Singh of Konthojam Mayai Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Konthoujam Manglemjao Singh s/o (L) Bira Singh of Konthoujam Mayai Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**
*the 22/10/2018*

U/S 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960

অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার K. Manglemjao Singh , পীং মৃঃ Bira Singh, সাং Konthoujam Mayai Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 86-Konthoujam গী অনৌবা পাট্টা নং 674, দাগ নং 393 অমসুং এরিয়ানা .67 acre চাওবা Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতূং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতূংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Konthoujam

*SL/4129(b)/26*

**সনা–সুদোকু –১৩১৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 8 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 |
| 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 8 | 4 |
| 5 | 3 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1317**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | 4 |
| | | 8 | | 4 | | | | |
| | | | 6 | | | 1 | | |
| | 7 | | | 8 | 2 | | 4 | 6 |
| | | 4 | | 5 | | | | |
| 9 | 6 | | | | | 3 | | |
| 2 | 3 | | 8 | 1 | 4 | 6 | | |
| | | 7 | | | | | | |
| | 1 | | | 2 | | | 8 | |